# নির্মল কাংজম পুন্সি য়ুম্বাল লম্বীদা খোঙদারগনি

**থম্মোয় পাউদম ও সি মৈরা**

লমদমসিগী শক্লাইরবা মোদেলশিংগী মনুংদা নির্মল কাংজমসু অমনি। মণিপুরী ভিদিও ম্যুজিক এলবমগী এক্টর অমা ওইনা মীয়াম্না থোইদোক হেন্দোক্লা শকখঙনবা হৌরকখি। নির্মলগী এলবম মশিং অসুক্কী মতিক য়াম্মী। মহাক্লা নৌনা থোক্লকপা ফেমেল এক্টরশিংগা এলবম কুমিন্নদবা য়াওদে হায়না লৌবা য়াই। অদুবু এলবম খত্তা কুম্বা নির্মল কাংজমদি নত্তে। মহাক মণিপুরী ফিল্মগী এক্টর অমসুনি। মোদেল ওইবা অমসুং এক্টর ওইবদগী হেন্দাক্লগা মহাক্কী অতোপ্পা হিংনবগী পুন্সি খোঙচৎ অমসু লৈরি। ঙসি ফাওবদা নির্মলনা মণিপুরগী ভিদিও ম্যুজিক এলবম ৫০ রোমদা এক্ট তৌখ্রে। অদুগা মণিপুরী ফিচর ফিল্ম ১০ রোমদা এক্টর ওইনা শরুক য়াখ্রে। মহাক্লা ইহান হান্না এলবম খোঙদারকখিবদি তোম্হোইগা পুন্না এক্ট তৌখিবা তোমি হাওবম অমসুং বোনি অনীনা দিরেক্সন পীবা *নুজাইগী নাপাদা চিল্লিবা নাচোমগী নুংশিবা লৈনম* হায়না শৈহৌবা ঈশৈ অসিদনি। ঈশৈ অসি বোই মালং অমসুং সি সিনা শকখিবনি। মসিগী মতুংদা লক্ষ্মীকান্তা শর্ম্মাগী *থম্মোয়না শাউই* (শৈশকপী সঙ্গীতা), গ্যানন্দ ক্ষেত্রিময়ুমগী *ৱাখল লেপত্রিবী* (শৈশকপী সঞ্জু) হায়রিবা এলবমশিং অসিদা মথং মথং খোঙদারকখি। নির্মলনা এলবম কুম্ননবা হোৎনরকপদা অৱাবা কয়া মায়োক্লরকখি। মহাক্লা এলবম অমত্তং কুম্বা ফংননবা এলবমগা মরী লৈনবা মীওইশিংগী মনাক্তা চৎখি। অদুবু এলবম কুম্মবগী তাঞ্জা অমত্তা পীবীখিদে। এলবম কুম্বা ফংলগনি খন্না শাগৎচরুবা ৱাখলগী য়ুমজাও নীংখায়রগা মাঙখি। নোংমা মহাক্লা মশাগী য়ুমদগী কিলোমিটর ৩ লোম থাপ্লা লৈবা এলবমগী দিরেক্টর অমগী মনাক্তা এলবম কুমগে হায়রুবদা উৎলকপা এটিচুদনা মরম ওইরগা মহাক নীংবা কায়না ময়ুম ফাওবা খোঙনা হল্লকখিবগী ৱারীসু লৈরি। মদুদগীদি মহাক মশামক্লা মোদেল হায়না শৈহৌবা এলবম অমা নম্নবা থৌরাং তৌখি। হায়রিবা মতম অদুদনি এলবমগী অফ-ফত্তগী মরমদা নৈনবা হৌরকখিবসু। মরম অদুনা কুমজা ২০০২ গী ওগষ্ট ২৫ দগী মহৈরোয়শিংগী ওইবা লূপ অমনা এলবমদা অথিংবা থম্লমখি। মোদেল হায়না শৈহৌবা ঈশৈ অমদা এক্ট তৌবা ফংলগনি খন্না শাগৎচরুবা ৱাখলগী তাইবঙ অদুসু মচেৎ তানা কায়খি। কুমজা ২০০৯ গী মে ২৫ দগী অমুক হন্না চৎন-কাঙলোন কয়া শেম্লগা এলবম নম্বা য়ারে হায়না লাউথোরকখি। মদুদনি নিরমলনা মখৈ ফংনা নুংঙাইখিবসু। এলবম কুম্ননবা হোৎনরগা থিংখিবদগী ককঙাওনরিঙৈ মতম অদুদা মেন হন্ট থোকপগী খুদোংচাবা ফংখি। মহাক্কা তীন্নবা দিলিপকী মচে মেক-অপ অমসুং দিজাইনর ওইরিবা ক্ষেত্রিময়ুম বিনিতানা পুশিনবীদুনা কুমজা ২০০২ দা মেন হন্ট থোকপগী খুদোংচাবা ফংখি। মদুদসু ফাইনেলিষ্ট ১০ খনবগী মনুং ফাওবা চনবা ঙমখিদে। কুমজা ২০০৩ গী সেপ্টেম্বর থাদা সদানন্দা অমসুং নন্দেশ্বরী নাইটকী এভর্টিজ ওইবা শেম্বা ক্লিপ অমদা স্ক্রিনদা ইহান হান্না থোকপগী খুদোংচাবা ফংখি। নিরমল কাংজমগী টর্নিং পোইন্ট অমা হায়বা তারগদি কুমজা ২০০৪ অসিনি হায়না লৌবা তাই। চহীসিদা দিজাইনর দোরেনগা থেংনবদগী ফেসন সোদা শরুক য়ানবগী খুদোংচাবা অমা ফংখি। মসিগী মতুংইন্না মেম্মী, ব্লু ওসিন একাদেমী, রেসিকেপ অমসুং ব্রোজেন লোংজমনচিংবগা পুন্দুনা মোদেল অমা ওইবগী লম্বীদা হেন্না কন্না চঙশিল্লকখি।



নির্মলনা অহানবদা খনখিবদি এলবমগী এক্টর অমা ওইবা হায়বসি খক্তনি। মোদেল ওইবা অমসুং ফিল্মগী এক্টর ওইবগী ৱা য়াওখিদে। পনবা য়াবদি, কুমজা ১৯৫৮ গী মতমদা পাঙথোকখিবা মিস মণিপুর কন্টেষ্টতা নির্মলগী অপোকপীসু অহুমশুবা পোজিসন ফংখি। অপোকপী মমাগী ঈ খরা নির্মলদা মতম পুম্বদা য়াওদুনা লৈবা হায়বসিদি মশানা তাবনি। অদুবু হিংবদা শেল চঙই। শেল য়াওদনা আর্টপু মায় পাকহনবা ঙম্লোই। অসুম্না আর্টতা খোঙদারকখিবা নিরমল ঙসিদি মশাগী হোম বেন্নর লৈরে। ফিল্ম অমা নম্বদা চঙবা খুৎশু-খুৎলাই খরসু থম্বা ঙম্লে।

হয়েং ফেব্রুৱারি ২০ দা ডা. হেলেনা নোংমাইথেমগা পুন্সি য়ুম্বাল লম্বীদা খোঙদামিন্নরগনি। পিশুমথোং নিঙোম্বম লৈরক্তা লৈবা কাংজম গুপ্তগী মচানুপা নির্মলগা নোর্থ এ ও সীদা লৈবা নোংমাইথেম কুবেরগী মচা নিঙোল ডা. হেলেনা নোংমাইথেমগা লুহোংবগী থৌরম মীতৈ সনামহী লাইনিং লীচৎতা পাঙথোক্কদৌরি। লুহোংবগী থৌরমদা ডা. হেলেনা অমসুং নিরমলনা মীতৈ লাইনিংবু চেৎনা থাগোন্নগনি হায়বগী ৱাফম থম্মোয় পাউদমদা ফোঙদোরক্লি।

**লৌশিং পুক্কে**

# পোক হৌরকপদা ফোয়দোকপা নৎত্রগা ফোয়দোক্তবা

পোক অমা ফোয়দোকপা মতমদা অতোপ্পা অনী হৌগৎলকই হায়না কনাগুম্বা মীওইশিংনা হায়নবা শোয়দনা তারল্লগনি। অদুবু অখঙ অহৈশিংনা থিজিনবদা ৱাফম অসি অরানবনি হায়বা খঙলে।

হ্যের রেষ্টোরেসন সর্জন ডা. রোবার্ট দোরিননা গুদ হাউসকী পিং দোট কোমদা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না পোক অমা ফোয়দোল্লগা মফমদুদা পোক অনী হৌগৎলকই হায়বা ৱাফম অসি অরানবা মওংদা থাজনবনি হায়রি। অদুম ওইনমক পোক ফোয়দোকপগী থৌরাং খক লৌখৎলোইদবনি হায়নসু মহাক্লা চেকশিন ৱারোল পীখি।

মহাক্লা হায়খি, কোক নৎত্রগা পীশুমদগী শম্না অমা ফোয়দোকপা মতমদা ইশানা ইশাবু মাঙহঞ্জনবগী থৌরাং অমা লৌখৎলে হায়না খনগদবনি। ফোয়দোকখ্রবা শমখোঙদা হৌগৎলকপা শম্লাদা অহোংবা কয়া লৈরকই। খুদম ওইনা হায়রবদা শমগী মপাঙ্গল শোন্থহল্লি।

শম্লাশিংদা পিগমেন্ট য়াওরক্ত্রবা মতমদা মচু ওল্লক্তুনা মুরম্বদগী ঙৌরকই। মসিবু ঐখোয়না পোক হৌবা হায়রগা খঙনৈ। চহী য়ামশিল্লকপগা ইরোয়ননা মেলানোসাইটকী মথৌ হন্থরক্তুনা পিগমেন্ট থাদোরকপগী চাং হন্থরকপা মরম্না শমগী মচু ওল্লকপনি।

মীপুম খুদিংমক পুন্সিগী তাঙ্কক অমা নৎত্রগা অমদা পোক হৌরকপা তারবসু কনাগুম্বা মীওই খরা নহা ওইনা পোক হৌরকপগী চপ চাবা মরম সাইন্টিষ্টশিংনা খঙবা ঙমদ্রি। পুম্নমক অসি মী-মীগী জিন খেন্নবগী ওইহল্লকপা ওইরম্বা য়াই হায়না থাজনরি।

মীওই খরদি চহী ফনা য়াম্লবসু পোক হৌদবা য়াই। কনাগুম্বা খরনা নহা ওইরিঙৈদা পোক হৌরকপসু অদুম্মক য়াওই। য়াম্না নৌনা পোক হৌরকপা হায়বসি য়াম্না নুংঙাইতনিংঙাই ওইবা থৌওং অমনি। পোক হৌরবদি নহা ওইরবসু অহল ওইনা উহল্লি।

অখঙ-অহৈশিংনা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না জেনেটিক, ফ্লকচুয়েসন, মৈখু শীজিন্নবা, পোল্যুসন অমসুং ষ্ট্রেসনচিংবা মরম কয়ানা পোক হৌহল্লকপনি হায়রি।

মেলানিন (শম্বুমহৌশাগী ওইবা মচু ওইহল্লিবা পিগমেন্ট) ৱাৎলকপদগা তপ্লা তপ্লা শমগী মচু ওল্লকই। মীওইবনা চহী য়ামশিল্লকপগা ইরোয়ননা মেলানোসাইট এক্টিভিটি তপথরকই অমসুং মেলানিন পুথোকপা লেপখি। মতম শাংনা শমদা কেমিকেলশিং শীজিন্নবনা অমাঙ অতা থোকহল্লকই। মরম অদুনা শম মচু শংবা খক তৌরোইদবনি। শম অদু শংবদা শীজিন্নরিবা পোৎলমশিংদা খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা কেমিকেল কয়ামরুম য়াওই।

অমরোমদা, হকচাংনা মরুওইবা ভিটামিন অমদি মিনরেলশিং ৱাৎলক্লবা মতমদসু শমগী মচু ওল্লক্তুনা পোক হৌরকই। শম ফহন্নবগীদমক মচি ওইবা চীঞ্জাক মচল শুনা চাবা মথৌ তাই।

মতম অমদা চেঙহী লুজবগী চৎনবী লৈরিঙৈদা পোক হৌবগী চাং নেম্লম্মী। মখল কয়াগী শেম্পুশিংদা মখল কয়াগী কেমিকেল য়াওই। মসিনা শম শোকহনবগা লোয়ননা পোক হৌরক্লবগী মরম ওইহল্লি।

মনুং মতম চাদনা পোক হৌরকপগী খুদোংচাদবা মাঙজৌননা ঙাকথোকহৌনবগী মতাংদা লৌখৎপা য়াবা থৌরাংশিংদি :-মচি ওইবা চীঞ্জাক মচল শুনা চাবগা লোয়ননা হকচাং শাজেল তৌদুনা ঈগী ঈচেল ফগৎহনবনি। করী পট্টা খরা য়ুবী থাউগা লোয়ননা মৈথক্তগা থাঙ্গৎতুনা শৌহল্লগা ঈংহল্লবা মতুংদা কোক্তা তৈদুনা মসাজ তৌগদবনি। মথংগী অয়ুক্তা শেংনা কোক তুমথোকপা য়ারে।

হীনা, শঙ্গোম অফম্বা, চম্প্রা মহী অমসুং কোফী পাউদর য়ানশিন্নদুনা থীৎলগা শমখোঙদা তৈশিনগদবনি। পুং ২/৩ লৈরগা শেংনা থাদোকপা য়ারে। অফবা চীঞ্জাক চাবগা লোয়ননা ঈশিং মরাং কায়না থক্তুনা হকচাং মনুংগী অমোৎপশিং লৌথোক্কদবনি। মসিনা পোক হৌরক্কদবদগী ঙাকথোকপা ঙম্মী।

পোক ফোয়দোকপগী মতাংদা কোসমেটিক সাইন্টিষ্ট রেন্দি স্কুলরনা হায়খি, পোক ফোয়দোকখিবনা পোক হেনগৎহনবা তৌদে, ফহনবসু তৌদে। ফোয়দোকখিবা মফমদা মতম খরা লৈরগা ঙৌরোক ঙৌবা শম্না অমা অমুক হৌগৎলক্কনি। অদুম ওইনমক মীয়াম্না থাজনরিবা, পোক অমা ফোয়দোকখিবদা অতোপ্পা অনী হৌগৎলকই হায়বা ৱাফম অসিদি অরানবনি।



# বরাক তম্পাক্তা মণিপুরী প্রোসিনিয়ম ঠিএটরগী ষ্টাইল অমসুং টেক্নিক

ডা. ঐচ রাজমনি অমসুং ৱাই মেধাজিৎ

নৈনগদৌরিবা হিরম অসি বরাক তম্পাক্কী মণিপুরী প্রোসিনিয়ম ঠিএটরদা ঠিএটর অমগী হৌনবী মচলশিং অদু কদায়ফাওবা মরিক চুন্না উৎপা ঙম্বগে হায়বদুনি। প্রোসিনিয়ম ঠিএটর অমদা চঙলিবা মচলশিংদি, এক্টিং, ষ্টেজ , লাইট, ম্যুজিক, সাউন্দ, কষ্টুম অমসুং মেক-অপনচিংবনি।

টেক্নিক হায়বসি লীলা অমা শাগৎপদা দ্রামা ইবা মী অদুনা মচাকশিংবু মথং মনাও কায়দনা ফজনা শেমগৎ শাগৎলকপগী হৈশিংবা (ক্রাফসমেনশিপ) অদুবু খঙনৈ। লীলা অমগী কয়াৎ অমসুং মচাকশিং পুনশিন্দুনা অপূনবা মশক অমা শাগৎপদা কয়াৎ অমত্তং হেক শোয়বদা লীলা অদু য়েংবা নুংঙাইতে। লীলাদা প্লোট শাগৎপা, চুনবা চরিত্র শেমগৎপা, সমস্যা, অৱায় অখুম চাননা ঙাঙহনবা, মদুদা শীজিন্নরিবা লোন্দা পুদানচিংবা কয়া অসি মপুং মরৈ ফাহন্দুনা কালাগী ওইবা মীৎয়েংদগী ফজহনগদবনি হায়বসি অখঙ অহৈশিং অমসুং মীয়াম্না য়ানরবা ৱাফমনি। মসি পুম্নমক অসি অইবা অদুগী টেক্নিক শীজিন্নবগী হৈ-শিংবা অমসুং মাগী ফজবা ষ্টাইলনা ওইহনগদবনি। কনাগুম্বা অইবা অমনা মহাক্লা ইরিবা লীলা অদুদা ক্রাফমেনশিপ অদু মতৌ করম্না অমদি করম্বা মওংদা শীজিন্নরক্কনি হায়বদু হৈশিংবগী পনখৈ মনুংদা লৈ। টেক্নিক হায়বসি কালাকারশিংগী হৈ-শিংবগী মতুংইন্না খেন্নবা কয়া লৈবা য়াই। ফজবা মওং তাবা টেক্নিক হায়বসি য়াম্না লুবা কালাগী খুৎশেম অমনি।

কুনশুবা চহীচাগী অঙনবা মতমদা বরাক তম্পাক্তা খুন্দাদুনা লৈরিবা মণিপুরীশিং অসি অতোপ্পা কনাগুম্বগী মতেং য়াওদনা শুজ-নোমজদুনা হিংনবা হোৎনবা অচম্বা পুন্সিনা অয়াম্বনি। গভর্ণমেন্টগী থবক তৌদুনা হিংবদি লৈরমদে হায়বা য়াই। অদুবু খরা থেংথরক্লবা মতুংদদি লৈরক্লে। ফীভম অসিদা ঠিএটর অমা পুথোকপা হায়বসি অরায়বা অমদি ওইরমদে। কালাসিবু পামজবা মীওইশিংনা ষ্টেজ শেম শাবা, লীলা ইনবা অমদি ট্রান্সলেসন তৌনবা হোৎনবা, লীলাগী দ্রেস, মেক-অপ, লাইট, ম্যুজিক, সাউন্দ, দিরেক্সন তৌবা অমসুং ঠিএটর হোল অসিনচিংবা শেম শাদুনা য়াম্না কন্না হোৎনদুনা লীলা ওইনবা শীনখিবা কালাবু পামজবা মীওই খরদি তম্পাক অসিদা লৈরম্মী। কুনশুবা চহীচাগী বরাক তম্পাক্কী মণিপুরী প্রোসিনিয়ম ঠিএটর পুথোকপদা খ্বাইদগী চাউনা থৌদাং লৌখিবসি ঠিএটরদা য়াওরিবা কালাকারশিংনি। মতাংসিদা কালাকার হায়রগা লীলা তন্বীরিবা দিরেক্টর, লীলা কুপ্লিবা এক্টর, এক্ট্রেস, ম্যুজিসিয়ন, ট্রান্সলেটর অসিনচিংববু খঙনৈ। লীলা অমা শান্নবদা অমসুং পুথোকপদা চঙগদবা শেলমখৈ মখোয়না য়াম্না ৱানা খায়নদুনা হোৎনরকখি। বরাক তম্পাক মণিপুরী প্রোসিনিয়ম ঠিএটরগী মওং অসিবু পাম্নরকপদগী মায়কৈ কয়াদগী থৱায় য়াওবশিংনা মতেং পাংনরকখিবা কয়া অমসুং লৈখিদবদি নত্তে। অসুম তৌদুনা লৈরক লৈকায়, মায়কৈ কয়াদগী মতেং পাংনরকখিবা খরা লৈখ্রবসু লীলা অমা ওইনা হোৎনরকখিবদি মতমদুগী কালাকারশিংনা পুন্সিগী লানফমদা অৱা-অনা কয়া নংলবসু লীলাবু পামজবগী মহৈনা কুনশুবা চহীচাগী অনীশুবা দিকেদতগী হৌনা বরাক তম্পাক্তা মণিপুর প্রোসিনিয়ম ঠিএটরগী ফজরবা ঈচেল অমা চেন্থরকখি হায়বা য়াই।

বরাক তম্পাক্তা মণিপুরী প্রোসিনিয়ম ঠিএটরগী ষ্টাইল অমসুং নৈনবদা খুদোংচানবা অসুম্না খায়দোক্তুনা য়েংবা য়াই। মদুদি, এক্টিং, ষ্টেজ, লাইট, সাউন্দ, ম্যুজিক, কষ্টুম, মেক অপ অসিনচিংবনি।

এক্টিং : এক্টিংগী মতাংদা মশক অনীথোক্লা য়েংবা য়াই। অহানবা মশক্লা কুমজা ১৯১৮ দগী ১৯৪৬ ফাওবা, অদুগা অনীশুবা মশক্লা কুমজা ১৯৫০/৫১ দগী কুমজা ১৯৯৭ ফাওবা অমা। করন রস ফোঙদোকপদনা কালাকারশিংনা থবাক্তা খুৎতুম্না য়ৈবা অমসুং কোক্তা খুৎ হাপ্পা চৎনরম্মী। মসিগী মতাংদা থৌনাওজম অতোল অমুনা অসুম্না তাকপীরম্মী।

অঙাং ওইরিঙৈ লীলা য়েংবা চৎপদা কালাকারশিংনা তৌরিবা মওং মতৌদু মীৎ কুপ্পমখৈ য়েংলম্মী। ভাবকশিংনা পেনবীনবা কালাকারশিংনা অভিনয় তৌরম্মী। মান্ননবা হায়দুনা উপাক্লা শেম্বা লীলাগী ফম্বাক্তা খোঙ কন্না থিনবা, চোং ফন্দুনা লাউবা উরগা ভাবকশিংনা খুবাক খুই।

অদুগা অনীশুবা মশক্লা কুমজা ১৯৫০-৫১ দগী য়েংবা তারবদি মীতৈলোন শেংবা ঙাঙবা হৌরকপা, মীতৈগী ওইবা ফিজেৎ নীংথিজনা শীজিন্নবা হান্নগী ওইবা মওংশিং অদুগী অহেনবা হাপচিন্দুনা মনিং তম্না লীলা কয়া শান্নরকখি। খরা থেংথরক্লবা মতমদদি প্রোম্পটর শীজিন্নদুনা প্রোম্প তৌবগী চৎনবী অমসু লৈরকখি। মতম পুম্নমক্তা প্রোম্পটর হায়বসি লীলা শান্নফম ফম্পাক্তা থোক্তে, মহাক্তি ষ্টেজগী মনুংদা নৎত্রগা মনিংথংবা ফিজং মরুমদা লৈ। প্রোম্পটরদা লোন্না হায়রকপা দাইলোগশিং অদু কালাকারশিংনা তারগা লীলাগী তৌফম থোকপা দাইলোগ, এক্টিং পুম্নমক তৌরিবনি। মরম অদুনা কালারশিংনা য়াম্না ফজনা এক্টিং তৌবা প্রোম্পটরগী অচৌবা থৌদাং লৈরম্মী। মতিং লৈবা অমসুং নুংঙাইবা মহাও পীবা ঙমগদবা এক্টিং উৎনবগীদমক মখল মখা কয়াগী অভিনয় তম্বগী চৎনবী লৈরম্মী। তঙাইফদবা মতাংদা কালাকারশিংনা ওজাগী ময়ুমদা লৈদুনা লীলা তম্নবসু চৎনরম্মী।

ষ্টেজ : প্রোসিনিয়ম ঠিএটর হায়বসিমক্তবু দ্রামা শান্নবগীদমক শেম শাদুনা থল্লবা ষ্টেজ অমা তঙাইফদনা চঙই। শান্নগদৌরিবা দ্রামা অদুগা মরী লৈনবা পোৎচঙ কয়া অমা হাপচিন্দুনা ষ্টেজ অদুবু ফজহল্লি। লীলা শান্নরিঙৈ মতমদা ষ্টেজ মথক্তা লেঙহন্দনা থম্বা লৈতেংশিং অদুবু ষ্টেজ সেট হায়রগা খঙনৈ। অদুগা করিগুম্বা ষ্টেজগী লৈতেং ওইনা থম্লবসু লীলা কুপ্লিবা মীওইদুনা লীলা মনুংদা থাংদোক থাংজিন তৌদুনা শীজিন্নরবদি মদুবু ষ্টেজ প্রোপ্স ওইনা খঙনৈ।

কুমজা ১৯১৮ দা শান্নখিবা বরাক তম্পাক্কী অহানবা প্রোসিনিয়ম ঠিএটরনি হায়নরিবা মোইরাং পর্ব্ব লীলা অসিদা অয়েকপা সীন শীজিন্নখিবগী ৱাফম থেংনদ্রবসু চহী খরগী মতুংদা পুথোরকপা লীলা খুদিংদা অয়েকপা সীন শীজিন্নরম্মী। লীলা অমদা অয়েকপা সীন মরিগুম্বা শীজিন্নবনা খ্বাইদগী য়াম্বা ওইনা লৌনরম্মী। মতমদুদা চৎনরম্বা সীন অদুদি রোল্লিং সীন ওইনা মতাং মতাংগী মতুংইন্না অমক কোনখৎ অমুক থাদা হৌদুনা শীজিন্নবনি। খরা থেংথরক্লবা হায়বদি লানগী মতুংদগীদি য়ুম কৈ চাকপা, থাবল থোকহনবা, ঈশিং উৎপা অমদি মহৌশাগী ফজবা কয়া উৎনবা হোৎনরকখি। তাঙ্কক অসিদা মণিপুরগী তুরিং দ্রামা পার্টি বরাক তম্পাক্তা খোঙদারকখি। মসিগী মতাংদা অসুম্না পনবীরম্মী।

কুমজা ১৯৫০-৫১ অদুৱাইদা মণিপুরগী এক্টরস য়ুনিয়ন্না সিলচর তরাপুর, পালারবন্দ, লখিপুরনচিংবা মফমদা আধুনিক দ্রামা ষ্টেজদা স্ক্রিনগা লোয়ননা শান্নবা দ্রামা মাইনু পেমচা হাউরং লৈশং শাফবী, থাবল্লৈ, ওসমান থম্বাল উৎতুনা কাছারগী মণিপুরীশিংনা অনৌবা মহাও অমা পীরম্মী।

বরাক তম্পাক্তা মণিপুরগী প্রোসিনিয়ম ঠিএটরদা হেক খোঙদারকপদগী হৌনা ষ্টেজ সেট শেম্বা শাবগী থবক্তা মাঙজিল থানা থৌদা লৌরকখিবা মীওই কয়া লৈরকই। অমত্তংগী মিং পল্লবদি হাওরোংবম য়ুগোলনি। মহাক কছার বনতারাপুরদগীনি। লমদমসিদা প্রোসিনিয়ম ঠিএটর হেক চঙলকপদগী হৌনা মহাক্লা ষ্টেজ শেম্বা, সীন য়েকপা খোৎপগী থবক্তা মায়পুননা তৌরক্লবা মীওইনি। মহাক্কী মরমদা তাকপীরকপা ৱাফম অমা থমজরি।

কুমজা ১৯৫৬ তা বনতারাপুরদা লাইশ্রম নবকিশ্বরনা লমজিং লমতাকপীদুনা ঐজ্ঞা ব্রজলাল শর্ম্মাগী মাগুপতা ভাগ্যচন্দ্র পার্ট ৱান অমসুং পার্ট টু শান্নখি। লীলাসিদা লাইশ্রম য়ুগেশ্বরনা প্রোম্পটরনি। পনবা য়াবদি, শীজিন্নখিবা সীন খুদিংমক হাওরোংবম য়ুগোলনা য়েকপনি। লমদমসিদা মহাক হাওরোংবম লাইয়েকপা হায়দুনা মমিং চৎখিবা মীশকনি। মমৈদা কুমজা ১৯৬২ গী অদুৱাইদা হাওরোংবমগী ইংখোল লম্পাক্তা ঠিএটর হোল অমা লিংখৎতুনা মশামক্লা তাকপী তম্বীদুনা খম্বা-থোইবী উৎখি।

মৈ (লাইট) : বরাক তম্পাক্তা মণিপুরী প্রোসিনিয়ম ঠিএটরনা চঙলকপা মতম হায়বদি কুমজা ১৯১৮ অদুৱাইদগীনা নীংতম লানগী মতুং ফাওবদা ইলেক্ট্রিক লৈত্রি। মরম অদুনা লীলা দ্রামা তৌবা মতমদসু ইলেক্ট্রিক য়াওদনা মতমদুদা ফংবা খ্বাইদগী ঙানবা থাউমৈ হাজার লাইট, পেট্রোমেক্স মঅদি লেনটরননা ষ্টেজ অমসুং ভাবক্কী মৈ ওইনা শীজিন্নখি। ভাবক্কী বরাক তম্পাক্কী মণিপুরী প্রোসিনিয়ম ঠিএটরদা মৈ শীজিন্নবগী খুম্মাং চাউশিনবা হৌরকখিবসি কুমজা ১৯৪৬ তগীনি। চহীসিদগী হৌনা হুমাই পানবা উপু চল্লগা মনংদা পেট্রোমেক্স অদু হাপচিন্দুনা ঙালহন্নিংবা মতমদা হুমাই অদু থৌরী অমগী মতেং লৌদুনা চিংখৎলি। অদুগা মমহন্নিংবা মতমদা হুমাই অদু অমুক থাদৈ। মসিগী মতাংদা বরাক তম্পাক্তা মণিপুরী প্রোসিনিয়ম ঠিএটরগী খোঙহৌ হায়বা সেমীনার পেপরদা অসুম্না পল্লি।

কুমজা ১৯৪৬ পুত্র পরিচয় সিলচর তরাপুরগী শ্রীগৌরমনি শর্ম্মাগী মাগুপতা শান্নে। স্ক্রিন অমসুং দ্রোপ সীন শীজিন্নে। মমাঙদা দ্রোপ সীন অনী, ময়ায়দা লম্বী অমসুং কোনুংগী য়োল্লিং সী, মনিং থংবা শরুক্তি ইহাং হাংনা মহৌশাগী ওইবা অশেংবা মহৌশাগী দৃশ্য উৎপগী মওংদা থম্মী। লাইটকী মতাংদা বোক্স শেম্লগা থৌরীনা চিংবগী সিষ্টেম শীজিন্নরে। খরা থেংথরক্লবা মতুংদগীদি ইলেক্ট্রিক চঙলক্তুনা মখল মখাগী মচু শীজিন্নবা হৌরে।

খোঞ্জেল (সাউন্দ) : কুমজা ১৯১৮ দগী হৌরদুনা ইন্দিয়া নীংতম লানগী মতুং ফাওবা লীলা শান্নবা মতমদা সাউন্দ ইফেক্ট পীনবা চাউখৎলবা ইলেক্ট্রোনিক্সকী খুৎশু খুৎলাই, মেছিন্নচিংবা লমদমসিদা য়ৌরক্ত্রি। মরম অদুনা লীলা কুপ্লিবা কালাকারশিংনা ভাবক তানবা খোঞ্জেল হৌনা ঙাঙখিবা ঙাক্তনি। বেক ষ্টেজদগী পীরকপা ম্যুজিকশিংসু ভাবক তানবা খোংখি, থীনখি অমসু য়ৈখি। অদুগা অমুক নোংখাকপনচিংবা কয়াগী মতাং য়াওরকপদা জিঙ্খ নৎত্রগা তীনগুম্বদা কন্না থিন্দুনা মালহন্নবা হোৎনখি। অসিতসু নত্তনা য়োৎ থিনবা, উপাক্তা য়ৈবা, মীতৈ পুঙ, মাংগং অমদি দ্রামাদা থিনবনচিংবা অসি সাউন্দ শীজিন্নবগী পান্থে ঙাক্তনি। খরা থেংথরক্লবা মতমদদি ইলেক্ট্রিক্কী মখল যন্ত্র শীজিন্নদুনা হান্নগীদগী অঙকপা ফংবা অহোংবা লাকখি।

ঈশৈ নোংমাই (ম্যুজিক) : বরাক তম্পাক্কী মণিপুরী প্রোসিনিয়ম ঠিএটরদা ঈশৈ নোংমাই ম্যুজিক্লা লীলা অমা পুথোকপদা লৌরিবা থৌদাং অসি য়াম্না চাউই। অহানবা প্রোসিনিয়ম ঠিএটরনি লৌনরিবা কুমজা ১৯১৮ দা শান্নখিবা মোইরাং পর্ব্ব লীলাসিদা ঈশৈ নোংমাইগী মতাং য়াওবা থেংনদ্রবসু মথং চহী ১৯১৯ দা মীতৈ ছাত্র মরুপনা শান্নখিবা ধ্রুবচরিত দ্রামা অসিদদি মীতৈলোনগী ঈশৈনা ইহান হানবা ওইনা শকখি। ঈশৈগী অহৌবা পরেং খরদং মখাদা থমজরি।

ঙসি কোরৌ নোংজাদা
ইমারোম্না লেংজবা ঈশৈনা
কৎচরি খুয়াদা
ননাই ঐখোয়না লৈরাং ওইদুনা
...অসিনচিংবা।

চহী খরগী মতুং চাউরাক্লা কুমজা ১৯৪৫ অদুৱাইদগীদি কোনসর্ট খোংবা চৎনরকখি। চহীসিদা মতমগী ঈরৈ মিংথোনবা জয়পুর পার্টিনা পাউনা লীলা রানীপুরদা অহানবা ওইনা শান্নখি। লীলা অসিগী বামোন দেবহরি শর্ম্মনা শক্লম্মী। চীংলেনসনা তুখিবদা শকখিবা ঈশৈগী অহৌবা পরেং খরদং নীংশিংবা য়াই।

মতমগী ঈরৈনি
মতমগী ঈরৈনি
থোরকখিবা নুমীৎনা
তাবা শোয়দ্রবনি
... অসিনচিংবা।

ফিজেৎ লৈতেং (কষ্টুম) : কুনশুবা চহীচাগী অনীশুবা দিকেদতগী বরাক তম্পাক্তা মণিপুরী প্রোসিনিয়ম ঠিএটরনা চঙলকপদগী হৌদুনা কুন্থৈ মখল অসিগীদমক ফিজেৎ লৈতেং ৱাখল থাদবা অমদি শাগদৌরিবা শক্তমদুগা চানবা ফিজেৎ লৈতেং শীজিন্নবা হৌরকখি। পুথোক্কদৌরিবা লীলাগী ৱারী অমসুং মদুগী মওং মতৌগী মতুংইন্না লীলাগী ফিজেৎ লৈতেংসু তোঙাল্লি। লীলা মখল খেন্নবগী মতুংইন্না ফিজেৎ লৈতেংসু অহুম থোক্লা খায়দোকপা য়াই। মদুদ (ক) পৌরানিক লীলাগী ওইবা ফিজেৎ লৈতেং, (খ) ঐতিহাসিক লীলাগী ওইবা ফিজেৎ লৈতেং অমসুং (গ) সমাজিক লীলাগী ওইবা ফিজেৎ লৈতেং অসিনি।

পৌরানিক নাটকী ফিজেৎ লৈতেং শেম্বদা থোইদোক্লা মগুন লৈরবা চরিত্রশিং অসিগা মান্নবা শেম্বা তারকই। মরম অদুনা পৌরানিক নাটককী ফিজেৎ লৈতেং শেম্বা শাবদা লাই তীনগী ওইবা কল্পনা অমা শীজিন্নবা তারকই। পৌরানিক নাটককী ফিজেৎ লৈতেংদা শীজিন্নরিবা মচাকশিং অসি চাউরাকপা ময়ামনা য়ানবা চৎনবী অমগী য়ুম্ফমদগী শেম শাবা অয়াম্বনি।

ঐতিহাসিক দ্রামাগী ফিজেৎ লৈতেংদি পুৱারীগা চান্নবা ৱারী থৌদোক, চৎনবী অমসুং লিশাং-শিংনা চথুরকপা পরম পরাদা য়ুম্ফম ওইরগা শেম্বা অয়াম্বনি। নিংথৌকোলগী ওইবা ফিজেৎ লৈতেংদা য়ুম্ফম ওইরগা লীলা লীলাদুগা চান্নবা য়েংদুনা শেম্বনি। খরা ঙল্লিঙৈ মতমদা লীলা অমগী অচঙবা ফিজেৎ লৈতেংশিং সিলচরদগী ভারা পীদুনা ৱায়নরম্মী। অসিতসু নত্তনা বাগানদগী ৱায়দুনা শীজিন্নবসু য়াওরম্মী। অদুবু করিগুম্বা লীলা খরদদি কালাকারশিংনা লৌরিবা পার্ট অদুগা চান্নবা মশা মশানা শেম শানবসু য়াওরম্মী। অদুগা খামেন চৎপা ফৈজোম সঙ্কীর্ত্তনিয়া অমসুং পেনা খোংবা ওজাশিংদগী ৱায়বসু চৎনরম্মী।

ইন্দিয়া নিংতম লানগী মতুংদগীদি লীলাগী অচৌবা অওনবা অমা লাকপা হৌরে। পৌরানিক অমসুং ইতিহাসিক ঙাক্তা শান্নরম্বদগী সমাজিক লীলাসু শান্নবা হৌরকখি। মসিগা লোয়ননা ফিজেৎ লৈতেংগী মতাংদসু কালাকারশিং অমদি লীলা তন্বীরিবা দিরেক্টরনা হান্না চৎনরম্বা মওংদগী হেন্না ফজবা লীলাগী ৱারী অমদি শক্তম লাংলিবশিংগা হেন্না চান্নবা মওং য়েংদুনা ফিজেৎ লৈতেং শেম শাবা হৌরকখি। অহিংবা তাইবঙদা তশেং তশেংনা থেংনরিবা থৌওংশিংবু লৈজবী থাদুনা মালহন্নবা হোৎনখি। কালাকারশিংনা লীলাগী ফিজেৎ লৈতেংশিংগীদমক মানা মানা লৌরিবা শক্তমশিং অদুগা চান্নবা য়েংদুনা থৌদাং লৌনৈ, মশানা পুথোরকপা ঙমদবা ফিজেৎ লৈতেংশিংনা ৱায়রগা শীজিন্নৈ। সমাজিক লীলাগী ওইবা ফিজেৎ লৈতেং অসি মতম অদুদা হিংলিবা মীওইশিং অদুগী ফিজেৎ লৈতেং অদুগা মান্নবা মওংদা শেম শাবনি। খুদম ওইনা হায়রবদা নুপাগী ফিজেৎ লৈতেংদা ফৈজোম, পুময়াৎ, মোজাফুরিৎ, খুদৈ, লেংয়ান, চন্দন-চৱা, উরিক লুগুন অসিনচিংবনি। অদুগা নুপীগী ফিজেৎ লৈতেংনা ফনেক, ইনফি, ফুরিৎ, ঙক্কী লৈতেংশিং, চন্দন-চৱা, উরিক, খুদোপনচিংবা অসি লীলাগী মতাং চানা চানা শীজিন্নখি।

মেক-অপ : প্রোসিনিয়ম ঠিএটরদা মেক অপকী থবক অসি য়াম্না মরুওই অমসুং অচৌবা অনৌবা কালা অমা ওইনা লৌনৈ। বরাক তম্পাক্তা অনৌবা কালা অমা ওইনা চঙলকখিবা প্রোসিনিয়ম ঠিএটরগী মেক অপকী থবক অসি অহানবা হৌরকপদা ঙম্ন-ঙম্নবা হোৎনরম্মী। অঙনবা মতমগী লীলাশিংদা মেক অপকী থবক অসিদি পূক্লিং নুংশিনিংঙাইগী মশকনি। মতমদুদা মখোয়না ঙম্নবা হোৎনবদা মখল কয়াগী উপায় কয়া শীজিন্নখি। মায়-মীৎ ফজহন্নবগীদমক শীজিন্নখিবা মরুওইবা মচল খরদি সিন্দুর, জিঙ্ক ওক্সাইদ, তেঙ্গালী, য়ুবী থাউ, চেক্কী মকুপ, অকাবা পাউদার কোকুলা, কলমগী কালি অসিনচিংবনি। হকচাংগী মনম নুংশিনবগীদমক মতমদুদা কৈথেলদা ফংবা দিনভার আটরগুম্বা শীজিন্নরম্মী। অদুগা করিগুম্না মতমদা কৃষ্ণ শারিবা মী অদুনা কৃষ্ণ মচু মালহন্নবগীদমক নিম পাউদরনা শংহল্লগা তৈবসু য়াওরম্মী। কৈথেলদা রেদিমেদ কোইমেদ কোই ফংদ্রিঙৈ মতমদা পাউদরগা কালি হৈজিল্লগা কৌই য়েকই। কুমজা ১৯১৮ দা শান্নখিবা অহানবা প্রোসিনিয়ম ঠিএটরনি লৌনরিবা মোইরাং পর্ব্ব লীলা অসিদসু মায় মীৎ ফজহনবগী মমি তাবা উবং ফংই। মসিগী মতাংদা বরাক তম্পাক্তা মণিপুরী প্রোসিনিয়ম ঠিএটরগী খোঙহৌ হায়বা সেমীনার পেপরদা অসুম্না পল্লি।

কুমজা ১৯১৮ গী ফেব্রৱারি থাদা মীতৈ ছাত্র মরুপনা শীন-লাংদুনা সিলচর মধুরামুখকী মাগুপতা উপাক হাদুনা ষ্টেজ শারগা মোইরাং পর্ব্ব শান্নখি। দ্রামা অসিদা শীজিন্নবা সীনদি সিলচরগী রিদিং ওন্দ দ্রামাটিক ইনষ্টিট্যুসন্দগী ভারা পীদুনা ৱায়খি। লাইটতি ফম্বাক্তা পেট্রোমেক্স অমা অদুগা ভাবক্কী মরক্তা অমা থানখি। ফিজেৎ লৈতেংদি লৌরিবা পার্ট অদুগা চান্ননা মশা মশানা শেম শানৈ। খামেন চৎপা ফৈজোম সঙ্কীর্ত্তনিয়া অমসুং পেনা খোংবা ওজাশিংদগী ৱায়নৈ। মায়দা অমুবা মচু য়েকপা খোৎপগীদমক থাউমৈ তেঙ্গালীগা য়ুবী থাউগা তীনশিল্লগা শেম্মী। পাউদর অমসুং সিন্দুর শীজিন্নৈ। নুপী শাবীদা শম্বাংদো, তোরোগীদি লিমোনদা মচু শংলগা ইফা ফানা শেম্মী।

খরা থেংথরক্লবা মতম হায়বদি ইন্দিয়া নিংতম লানগী মতুংদগীদি মেক অপকী মচল কয়া মরাং কায়না ফংবা হৌরে। অদুনা প্রোসিনিয়ম ঠিএটরগী মেক অপকী মায়কৈদসু অঙকপা ফংনা অহোংবা মশক অমা লাকখি। অদুম ওইনমকসু হান্নগী অমসুং হৌজিক্কী চাউখৎলবা মতমগী মেক অপকা য়াম্না খেন্নরবসু মতমদুগী ভাবকশিংনা য়াম্না পাম্না য়েংনখিবা কালা অমদি ওইখি।

> “অহানবগী মশক অসিদা পৌরানিক ওইবা ৱারীদা য়ুম্ফম ওইবা, বেঙ্গলীশিংগী মতৌ তমদুনা শান্নবা অসিনা মরুওইবা লীলা খুৎপুথোক ওইনা লৌনরম্মী। অয়াম্বা দ্রামাশিং বেঙ্গলীদগী মীতৈলোন্দা হন্দোক্লগা শান্নরম্মী। মরম অদুনা বেঙ্গলী ৱাহৈ খরদি তঙাইফদনা শীজিন্নরম্মী। কালাকারশিংনা ফম্বাক্তা লীলা উৎপা মতমদা মানা মানা লৌরিবা রোলশিং অদুগা চাননবা খোঞ্জেল হৌনা হৌনা ঙাঙবা চৎনরম্মী। করিগুম্বা লীলা খরদদি কালাকারশিংনা লীলাগী ফম্বাক্তা খোঙ কন্না থিনবা অমদি চোং ফনবসু চৎনরম্মী। মসিগী মওং অসি মরুওইনা বীর রস উৎপদা শীজিন্নবনি।”